# ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব, এক্স পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস (এ) সেমী ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা ৭ লক শুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব, এক্স পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা পোলোগী টিম তরানিথোইনা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বি পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকী পাঞ্জল মরি অদু পি ওজিৎনা পাঞ্জল ৩ অদুগা এম দোরেন্না পাঞ্জল অমা চনখি। মণিপুর পুলিস টিম বিগী পাঞ্জল অহুম অদু টি ঐচ কাওবনা পাঞ্জল অনী অদুগা টিপ্রদিপকুমারনা পাঞ্জল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (আই আর সী) পাঞ্জল ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা এক্স পোলো ক্লব সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মায়থীহৌরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথুখি। মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু এল অতাংবনা পাঞ্জল অনী, ঐচ মুহিন্দ্রোনা পাঞ্জল অনী, এল তোলোংখোম্বা অমসুং টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী পাঞ্জল অদু অভিনাস, এন রঞ্জন অমসুং লৈশেম্বনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর পুলিস টিম এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মায়থীহৌরবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি। চাউনা মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস টিম এগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ রঞ্জিৎনা পাঞ্জল অনী চনখি। ঐচ অবুং খুমন্না পাঞ্জল অনী, এস বিমোলনা পাঞ্জল অহুম, এম জৱান্না পাঞ্জল অনী, কে ঐচ দিনেসনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী পাঞ্জল অনী অদু দল্লিয়ু থৌবা অমসুং এম চাউবনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ হয়েং খুরাই পোলো ক্লব অমসুং ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ এক্স পোলো ক্লব টিম এ ৱাংখৈ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এগা শান্নগনি।

# ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোকি টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস) :

মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকপা মরিরকশুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর-১৪ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ৱিন্নর ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা ওইখ্রে।

ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৯ দা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লবা মতুং চহী হেনবা শান্নরোয় য়াওরম্মী হায়বগী ৱাহৌদা প্রোটেষ্ট তৌনরকপদগী মেচ অদু লোইশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি।



ফাইনেল মেচ অদুগী লেমহৌরিবা মিনিট ১৫ গী শরুক অদু ঙসি খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নদুনা লোইশিনখ্রে।

মেচ অদুদা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

মেচ অদুদা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেকোনগী শান্নরোয়শিংনা শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী গোল অহুম অদু কে প্রবিন্না মেচকী ৪৬, ৪৮ অমসুং ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু উমাকান্তনা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

# মেরিনা স্প্রিং কপ্তা আর এফ সী খন্নাম লৈরক অমসুং মমা এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস) : দল্লিয়ু এফ সী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়না শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চথরম্বদগী নুমিৎ খরনি লেপ্লুরবা অহানবা মেরিনা স্প্রিং কপ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা আর এফ সী খন্নাম লৈরক অমসুং মমা এফ সী মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা আর এফ সী খন্নাম লৈরক্না ঐচ এন এস সী হাওরৈবি গোল ৮-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা আর এফ সী খন্নাম লৈরক্কী গোলশিং অদু নাওবনা গোল মঙা চনখি। পিয়াবুং, নবা অমসুং সুসিলনা গোল অমমম চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ঐচ এন এস সী হাওরৈবিগী গোল অদু সনাহল অমসুং এন রোসন্না চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মমা এফ সীনা ৱাই ৱাই সী য়ৌরবুং গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মমা এফ সীগী গোল অনী অদু সনাতোম্বা অমসুং মোমোচানা চনখি। ৱাই ৱাই সীগী গোল অদু নাওবনা চনখি।

# চীংঙাখম জেটলিনা এসিয়ন জুনিয়র অমসুং কেদেট ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস): থাইলেন্দগী কোরাত্তা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দগী চথরকপা এসিয়ন জুনিয়র অমসুং কেদেট ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় চীংঙাখম জেটলিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা শান্নরোয় চীংঙাখম জেটলিনা ইনি দভিজুএল কেদেটকী ইপি ইভেন্টতা মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। সেমী ফাইনেলদা চীংঙাখম জেটলিনা কোরিয়াগী কুল বোনিওংগী মখূৎতা পোইন্ট ১৪-১৫ দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

চীংঙাখম জেটলিনা চথরিবা কেদেটকী ইপি ইন্দিভিজুএলদা গোল্ড মেদল লৌরক্কনি হায়না চেৎনা থাজবা থমখিবা ফেন্সর অমনি। চীংঙাখম জেটলি হৌজিক হৌজিক ওলেম্পিক গোল্ড ক্বেসকী মখাদা পুনেগী আর্মি বোইজদা লৈরি। ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দগী চীংঙাখম সরত অমসুং চীংঙাখম ওংবী অইংবী দেবীগী অনীশুবা মচানুপা চীংঙাখম জেটলি ষ্টেট অমসুং নেসনলগী চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা উপা ক্যামগৈগী ফেন্সর অমনি।

# গোল্ডন জুবিলি য়াওশঙ স্পোর্টস বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস):

ওরিয়েন্টে ক্লব খোংমন মঙজিলনা য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা চহী ৫০ মপূং ফারকপগী গোল্ডন জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা শিন্দুনা য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেলগী বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা আই জি ও ওইনাম্না এস দি সী সেট ৩-২ (২৩-২৫, ১৯-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২৩, ১৫-৭) দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। অনীশুবা মেচতা বাখে সনাকৈথেলনা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম সেট ৩-০ (২৫-১৪, ২৫-১৮, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীখ্রে।



HL-B/3662/9,11,13,15....

# আই জি ও ওইনাম্না ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা অৱা লৈকায় য়ুথ প্রোগেসিভ য়ুনিয়ন (এ এল ৱাই পি য়ু) পাৎশোই পার্ট ফোরনা শিন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০ দগী চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ৱিন্নর আই জি ও ওইনাম্না ওইখ্রে।

টিম তরানা গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা আই জি ও ওইনাম্না এন ৱাই ভি এ নাওরেম সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৮, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থীহৌরবা এন ৱাই ভি এনা রন্নর্স-অপ তাখি।


টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা আই জি ও ওইনামগী এম দি সাকিলনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি। ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম্না বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি। বাখে সনাকৈথেলনা টুর্নামেন্ট অসিগী থার্দ প্লেসকী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা আই জি ও ওইনামগী এম এম নৱাজনা বেষ্ট ব্লোকর তাখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোয় এম রাজনা বেষ্ট সেট্টরগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং শান্নখিবা থার্দ প্লেসকী মেচতা বাখে সনাকৈথেলনা এ এল ৱাই পি য়ু পাৎশোই সেট ৩-২ (২০-২৫, ২৫-২২, ২৫-২১, ২২-২৫, ১৫-১২) দা মায়থীবা পীদুনা বাখে সনাকৈথেলনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3673/17/2-22/3




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com